ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯖꯅꯨꯋꯥꯔꯤ ꯱꯲, ꯲꯰꯲꯳, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯸꯱ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

# হুইয়েন লানপাউ

শগোলশেন, জন্যুৱারী ১২, ২০২৩, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ২৮১শুবা মশীং

## হিংনবগীদমক শিগদ্রা শিনবগীদমক হিংগদ্রা

মীওইবা পূম্নমক পোক্লবদি হিংই, মখা তানা হিংনবসু হোৎনদবা য়াদে। অদুবু হিংবা হায়বসিগী ৱাহন্থোক করি ওইগদগে? মসিগী মনুংদা করি-করম তৌবা পুন্সি মহিং অমসুং মরেলশিংবু হিংবা হায়না লৌবা য়াগদগে? অফবা-অচুম্বা পুন্সি খোঙচৎ অমদা চৎতুনা ইশাগী মীওইবা অমা ওইবগী ইকায়খুম্নবা মাঙহন্দনা ঙাক্তুনা থম্লগা লোয়নদুনা চৎমিন্নববু অশেংবা হিংবগী ৱাহন্থোকনি হায়না লৌফম থোক্তব্রা? অদুগা হিংলিদি হায়বা, হিংনবসু হোৎনরিদি হায়বা, হোৎসু হোৎনবা অদুবু নুপী নৎত্রগা নুপা ওইনা হিংবদা মশাগী ফীভমদুগী ইকায়খুম্নবা মাঙখিদুনা, য়াওদদুনা নৎত্রগা মশানা মশা ফাওবা থাজদনা হিংবা পুন্সিদুসু মীওইনা হিংবগী ৱাহন্থোক্কী মনুংদি চল্লবসু মসিগী পুন্সি মহিংসিবুসু মীওইবগী ওইফম থোকপা অশেংবা অচুম্বা পুন্সি কৌবা য়াগদ্রা? মান্নদবা অমসুং মথক-মখা থোক ওন্থোক্লবা পুন্সি মহিং অনীসিদা হিংনরিবা মীওইশিংগী মনুংদা মশীং য়াম্বদি অচুম্বা-অশেংবা লম্বীদা চৎতুনা মশাগী ইকায়খুম্নবগা লোয়ননা হিংলিবা মীওইশিংগী মশীংনা য়াম্মী। থৌদোকসি পীকখ্রবা মণিপুরী খুন্নাই খক্তগী ওইবা ৱাফম নত্তে। মালেমগী মফম পূম্নমক্তা লৈরিবা মীওইবা খুন্নাইগী ওইবা ৱাফমনি। অদুবু য়ামখ্রবা খুন্নাইশিং লোইনা কোনশিল্লুদনা মণিপুরী খুন্নাই খক্কীদমক মীৎয়েং থম্লকপগী ৱানি। হৌজিক মণিপুরগী খুন্নাইসিগী ফীভম করি ওইরিবগে? খুন্নাইসিগী মীয়ামগী পুন্সি মহিংনা করিনো? ৱাহংশিং অসিগা ইরোয়নরক্লিবনা হৌজিক খুন্নাইসিগী মীয়াম হিংনবগীদমক শিগদ্রা নৎত্রগা শিননবগীদমক হিংগদ্রা নৎত্রগনা হিংনা হিংনা শিরব্রা, শিনা শিনা হিংলব্রা হায়বসিনি। অনীমক অমত্তা থোক্তবা, ওইদবা পুন্সিগী মমল য়াম্না ৱাংনা য়াওনা ইকায়খুম্নবগা লোয়ননা হিংবা মী ময়াম লৈরি। মসি নত্তবা, মসিগী ওন্ন-তৈনবদা লৈবা মীওইশিংগী মশীংদি য়াম্না নেম্মী অমসুং য়ামদে। অদুম ওইনমক পুন্সিদা হিংবগী মরেক-মহাউ য়াওদনা, হিংলি হায়বদং থোক্তুনা শিবা ঙাইবা মীওই খুজোক খরসু লৈরি হায়বনি। মখোয়গীদমক কৈদৌসিগে, কৈদৌরগা মখোয়গুম্বশিং লৈহন্দবা য়াগদগে হায়বসিনি।

হিংনবগীদমক শু-নোমগদবনি, থবক্তা চিলহাও থিরোইদবনি। থবক খুদিংমক পূক্লিং চংনা অমসুং ইশাগী ইকায়খুম্নবা মাঙহন্দনা মায়পুননবু হোৎনরবদি য়াম্বা-য়ামদবগী ৱাফম তোঙান্না থমখ্রগা হুমাং মমলদি শোয়দনা ফংগনি। হুমাং মমলদু য়াম্বা-য়ামদবা থিদনা ফংজদুনা লৈজরিবা খরদুনা পেন্থোকপসু ঙম্বা-হৈবা তাবনি। ইশানা শুজ-নোমজরিবদুদগী হেন্দোক্লা অহেনবা, অচৌবা শেন্দোং পাম্লোইদবনি। থিক নেম্বা মীওইনা থা লাম্মী হায়বগী থৌদৌ তাহল্লোইদবনি। অকাম্বা-অমোৎপা থবকশিং তৌবনা শেন্দোং য়াম্না ফংবদি য়াই, হিংবদা চংবা পোৎলম পূম্নমক লৈরিক লৈরাক থনবগী মপু ওইরকপা ঙম্লকপদি য়াই। অদুবু ফীভমদু য়ৌরক্লবা ফাওবদা ইশানা-ইশাবু মীনমজবগী শরুক অমদি অদুমক লোয়নদুনা লৈগনি হায়বসিমদি কাউথোক্লোইদবনি। মসিমক্লা মণিপুরগী মীপূম খুদিংমক অমোৎপা, ফজদবা থবকশিং তৌদ্রিবনি। মানা মানা ঙম্বা থবক-ইনখাং শু-নোমদুনা পুকচেল অমসুং পূক্লিং ৱাখল তিংনা হিংননবা হোৎননরিবনি। অদুবু অরানবা, ফত্তবা ৱাখল চেন্দুনা মশানা মশাবু মীনমজদুনা হিংজবা মীওই খরা লৈরিবসিগী মতাংদসু পূম্নমক্লা পূক্লিং চংবিবা অমসুং ৱাখল খন্থবিগদবনি। মখোয়বু লম্বীদুদগী নাথৈহল্লক্তুনা মীয়াম্না চৎনরিবা অচুম্বা লম্বীদা পুরকপা য়াগদগে হায়বগী মতাংদা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎপীগদবনি। মখোয়দা মোরেল এদ্যুকেসন পীবনা য়াগদ্রা? মখোয়গী অশেংবা-অফোংবা শেন্মীৎলোনগী ফীভম ফগৎহনবনা কান্নগদ্রা? নৎত্রগনা অরানবা পাম্বৈ শীজিন্নদুনা হিংনবা হোৎনরম্বগী চৈরাক পীবনা য়াগদ্রা হায়বসি খন্নবা চংই। মসি খন্থরগা থবক তৌবনা মখোয় খরবু হিংনা হিংনা শিবদগী কন্দুনা শিননবগীদমক হিংবদগী মরেক-মহাউ থোকপা পুন্সি মরেল অমদা পুখৎলকপা ঙমগনি। অদুগা মখোয় মশানসু অফবা-অচুম্বা লম্বীদা মখূৎ পায়দুনা লমজিংবীরগদি হরাও-হরাওনা অমোৎপা শেন্দাল লম্বী থাদোক্লমদুনা পুন্সিগী ইকায়খুম্নবগা লোয়ননা খুয়া তুশিৎনা হিংননবা হোৎনরগদবনি। অফবা লৈরবদি ফত্তবা লৈগনি, অৱাবা লৈরদি অমোৎপা লৈগনি হায়বদুনা ৱাগী ৱানি। অফবা অমসুং অৱাবা ঙাক্তা পীক থন্না লৈহনবদা করি কাইগদগে? ঙম্নবা হোৎনবা চুমগনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৭

১) **“করিনা তমসিগে খুদোল/অনৌবা কুম অসিগী,/নাচোম অমদি শেল্লেনে/তখেল্লে শংব্রৈ লৈচন্না/চিগোংলৈ অমত্তংগা থেৎখিগে,/নংগী নাপ্ল থন্নবা/হেপ্পি নিয়ু ইয়র।”** শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা করি লাইরিক্তা য়াওবা করম্বা শৈরেংদগীনো?

২) **“ফাওরকপা ঈথিলদা শেমজিনবা ৱারী”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) **“চীংনা ঐগী পম্থৈ তম্না ঐগী পলেম”** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুর মপানগী অইবা অমনা মণিপুরীদা হন্দোকপা লাইরিকনি। ওরিজিনেল কনানা ইবা লাইরিক্তগী হন্দোক্লিবা অসিনা কনানো?

৪) **“অরোনবা থম্মোয়গী চিঠি”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৫) **“মমি তাদ্রবা মী”** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ১০৬

## (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

**চাইথোরকপা ৱাখল**

**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

লমদি কুম খুদিংগী চৎপনীনা ৱারীদি কুম খুদিংগী কাউঙমদবা অমমম লৈ হায়বা তারে। কছারখক্কী ৱারী সুম তৌবদা তাবদা হঞ্জিনবা মানগনি। অদুনা ঙসিদি ঐগী নীংশিংবগী থোঙনাওদগী ৱাখলনা উরকপা অহানবা হোজাই খোঙচৎকী ৱারী মতেক অমা থমজগে। ৱারীসি য়াম্না নুংশি, খল্লুরগা কিসু কিরি হৌজিকসু। হোজাই নন্দপুর চরালিদা ঐখোয়গী লীলা অমা কৌই। লীলাদু থা কয়ামুক চঙনা ৱারী শানদুনা লাক্লগা, য়ানবদগী ঐখোয় অহানবা ওইনা হোজাইদা অমুক্তা চৎলসি হায়দুনা লেপ্পদুনা চৎপা খোঙচৎনি। তশেংবদি হোজাইগী মীশিংদুনা ঐখোয়বু য়াম্না খৌরাংনা ঙাইবগী ৱারী য়াম্না তাখি। অদুনা ঐখোয় য়াখিবনি। ইম্ফালদগী এম এস আর টি সী (মণিপুর ষ্টেট রোদ ট্রান্সপোর্ট কোর্পোরেসন) গী বস তোংদুনা চৎপনি। নাগালেন্দগী দিমাপুর তান্না। দিমাপুরদগী ঐখোয় ত্রেন তোংগদৌরিবনি। ঐখোয়না দিমাপুর তান্না চৎপগী লম্বীদু হৌজিক নুংশা য়াম্না থীরি। লম্বীদু অসুক্কী মতিক পীকই অদুগা ফবসু নত্তে। অদুনা বস অদু ঙেং ঙেং ঙংদুনা থৌই। চহী লৈশিল্লবা অহল অমনা মকোক্তা অৱাম্বা পোৎলুম পুদুনা চৎপগুম্বনি। ঐখোয় ময়ামদু পুদুনা অঙম্বা চীং অকোনবা গোলাই কয়া অমা এম এস আর টি সীগী বস হনুবদুনা ঙেং ঙেং থেঙ্গু খোঙথাংদা চৎপদুনা ঐখোয়না দিমাপুর য়ৌবদা নুমিৎ তারে। মন্মে। অহিংদু ঐখোয় দিমাপুরগী ত্রেন ষ্টেসনদা উইবোই করিবোই তৌদুনা লেনখিমাল্লে। ময়েক্কীদি অথেংবদা তোংগদবা ত্রেননি অদুবু করিগীনো খঙদে, ত্রেনদু থেংনা লাক্কনি হায়বগী পাউ তারে। থেংবা নত্তে, নোংঙাল্লগা লাকপনি। য়াম্না নুংশিরিবদি, পুন্সিদা ত্রেন উবা অহানবনি, ত্রেন তোংবা অহানবনি। সিনেমাদা উবা নত্তনা ত্রেন অমুক্তা উদ্রিবনি ঐদি। অদুনা ত্রেন ষ্টেসনদুদা অহিং অমা লেনবদু কৈসু অৱাবা ওইখিদে। পোৎ পুবা ত্রেননা দাবা অনী/অহুম চিং-চিংদুনগা থৌবদু তান্ন-তান্নদুনা য়েংখি। গোদ্রোং গোদ্রোং মখোল য়াম্না হৌনা ক্রেক কাক ক্রেক কাক মখোল মরক্তুদা কনাগী তূম্নিংবা অমত্তা ফাওখিদে। ঐখোয়না তোংগদবা ত্রেনদু ঙাইবদা তূমখিদে।

ত্রেন লাকখ্রে, ঐখোয় কাখৎলে। ত্রেন মনুংদা অচা অথক য়োনবা ময়াম অমা চৎলি। খেট্রি ফোং ফোং শাবা য়োল্লি। ত্রেন চেল্লমদাইদুদা ঐনা অচাপোৎ য়োনবা নুপা অমদা কারন তৌদুনা লক্লরুই। অদুদগী নুপাদু ত্রেনদুনা চেল্লকপদা মখোঙনা ঐগী থোঙনাও ময়াদুদা চেল্ল-চেল্লগা শাউদুনা লাউ লাউরগা তান্নে। ফনা য়াম্না শাংনা তান্নে। ত্রেনদু য়াঙখৎলক্লে। মাসু ত্রেনদু শাংনা তান্নে। অদুম লৈহৌরে। মতৌদুদা হোজাইদগী ঐখোয়বু লৌবা লাকপা পূন্না তোংমিন্নরিবা ওজাদুগী মমিংদু কাউথোকখ্রে, মানা মখোয়সি লক্লবা য়াবা নত্তে। শাথীখ্রজাৎনি। শোয়দনা ত্রেনসিদা চোংখৎলগা য়াওরল্লুম্বা য়াই। মখোয় মশেলসিদি চপ হেক্তা মান্নখিবনি। অদুনা অফ ফত্ত খঙবা নত্তে গাইনা ৱারী তৌবদগী ঐসি লাষ্টতা কিখৎলকপগী ৱানিসে। অদুদা ঐনা কৈসু তৌরোইদ্রা হায়না ঐগী অকিবদু পুথোক্লুবদুদা ওজাদুনা কৈসু তৌরোইদা, ঐ হায়নগে লাকসনু হায়বদগী পূক্লিং খরা চাউথোকখি। অদুদগী মথং মথং লাকপনা ষ্টেসন অমদা থুংলে। অসুম্না লাকপনা হোজাই য়ৌরে। হোজাইগী ষ্টেসনদগী নন্দপুর চঙবদু অদুক কা হেন্না লাপ্পা নত্তে, ঐখোয় থুংলে। নন্দপুর চরালিগী ক্লবকী মেম্বরশিংনা ঐখোয়বু তরাম্না ওক্তুনা ঐখোয় শিনবীরিবা লৈফমদা লৈরে। চাক ঈশিং থোং থাক্লবা থৌরাং পমলাং লাংদুনা য়াম্না নুংঙাইনা ঐখোয় পোত্থারে। লীলা শান্নগদৌরিবদু ক্লবকী কেম্পসনি। কম্যুনিতি হোলগুম্বা অমা লৈ। মদুদা শমথরগা খনবনি। অকোয়বদু জিঙ্ঘনা ইকোয় কোয়না খাজিল্লি। চেয়র য়াম্না থাই। নুমিদাং ৱাইরমদুদা লীলা শান্নগদৌরিবদুগী অকোয়বদা, লৌবুক্তুদা মাগী মাগী হোটেল, পোৎফম শেম্নদুনা পোৎ য়োন্নবা থৌরাং তৌনরি। চা, বোরা, কাংহৌ। মখল মখলগী অচাপোৎশিং য়োল্লি। লীলা শিল্লিবদুগী মনাক্তা মৈতৈ বামোন অমা লৈ, মখোয়গীসু হোটেল ফম্মী। বামোন লৈশাবী মচা অমা য়াওই। মশক মতৌ লৈখ্রে, মাগী হোটেলসিদা ঐখোয় চা থক্লে। বোরা চাই। মীসু য়াম্না ইন্নে। বোরা তম্বা ঙমদে। মৈফম অমা থাগৎতুনা বোরা হৌবদু য়ারক্তুনা খাঙ অনী থোক্লা থাঙ্গৎলগা বোরা হৌখিবদু ঐ ঙসিসু নীংশিংলি। মফমদুগী মীশিংদো ওন্থোক্লা চমখ্রে, য়াম্না নুংশি। মখোয় নহা নুপামচা পরেং অমা লৈ, ওন্থোক্লা মখোঙ য়াঙখ্রে। মমিং অমতংদি পঞ্জরগে, বিনোয় কৌবা নহা অমা লৈরম্মী। নহাদু হৌজিক্তি হোজাইদা লৈত্রে তাই, গুৱাহাটিদা লৈরে হায়না চহী ২০ মুক্কী মমাঙদা গুৱাহাটিদা থেংনখি। মবুক য়াম্না ফৈ, ঐখোয়গী অৱাৎ অপানচিংবা অমত্তা লৈহন্দনবা কোইচেন চেন্দুনা হোৎনৈ।

ঐনা খ্বাইদগী ঙক্লিবদি, ঐখোয়গী লীলাদুগীদমক পোষ্টর ময়াম অমা শেমদুনা মচি মচি খুদিংদা থেৎলম্বদুনি। ঐখোয়গী লীলাদু য়েংনবগীদমক দিষ্ট্রিক্ট লান্না গভর্ণমেন্টকী থবক তৌখিবা, লন্নাইগী ওইবা থবক তৌখিবা ময়াম ফাওবা য়াওনা ছুটি লৌনদুনা ময়ূম ময়ূমদা থোরক্লগা লীলা য়েংনবা থৌরাং তৌরমখি। অদুগা লোয়ননা লম লাপ্পা লাপ্পা ময়ূম পানখিবশিংসু মপামদা লাক্তুনা লীলা য়েংগদবগী লৈরমখি। ঙাইহাক্কী মতুংদা লাকখিবা ময়ামদুনা টিকেট ইন্নবদা অসুক্কী মতিক কন্না ইন্নখি। ঐদি লীলাগীদমক অদুক য়াম্না টিকেট ইন্নবদু অমুক্তা উখিদ্রি। কদায় কদাইদগী গাড়ীনো ওন্থোক্লা য়ামখ্রে, লম য়াম্না লাপ্পা লাপ্পা বস ৱাইদুনা টেক্সি ৱাইদুনা অমদি মশা মশাগী লৈজবা গাড়ীশিং শীজিন্নদুনা মী পীক পীক থন্না হোন্দুনা লাকখিবনি। টিকেট ইন্নবদা থাখ্রবা টাটাগী জিঙ্ঘদু ময়ায়দা শেগাইখিবদু ঐগী পুন্সিসিদা অমুক হন্না কাউররোই। ঐগীসে হায়জিন্নবা নত্তে, লাইনা খঙনি। য়ামখ্রবা মীয়ামনি। টিকেট ফংনদবগী অৱাবা কয়া লৈখি। অদুনা লাক্লিবা মীয়ামদু লোইনা টিকেট কল্লগা খারিবা জিঙ্ঘদু লোইনা লৌথোক্লগা লীলাদু লেপ্পা লেপ্পগা য়েংনখি। ঐখোয়না শান্নখিবা লীলাদু ঐনা নীংশিংবদা “শজিবুগী নোংলৈ” হায়বা অদুনি। ইহান হান্না শান্নখিবদু। তশেংবগীদি নুমিৎ হুমনি মফম অদুদা ঐখোয় লীলা শানরম্লগা সম্ফালদা থোরকপগী প্লানদা ঐখোয় লাকখিবনি। ঐখোয়না শান্ননি খন্দুনা লাকখিবা লীলা অহুমদু শান্নবা লোইরবা মতুংদা ময়ামদুনা নোংমতংগা চোম্থবীরগা লীলা অমগা শান্নবীরম্মু হায়রে। ময়ামগী ইন্টরেষ্টতুদা ঐখোয়সু য়ারে। অদুবু লীলাদি হনজিনবীগনু হায়বদগী করি লীলা শান্ননি তৌরিসিদি হায়না ঐখোয় খন্নে। মতমদুদা ঐগী খাওদা শান্নদ্রিবা লীলা অমগী স্ক্রিপ্টতি য়াওরি। কাবক কাবক পানরগা থম্বনি, তমসু তমদ্রিবনি। শান্নববুদি শান্নগদবা মমিং য়াম্না চৎখিবা লীলানি। ঐখোয় মদু ওইনা তৌরসি হায়নরে। নোং হেক ঙানবগা লৌবুক ময়ায় য়াম্না লাপ্পা ঐখোয় লোইনা চৎলে। অদুগা লৌবুক ময়ায়দুদা লীলাদু তাম্লে। দাইলোগকা চিনফা পুনবা নত্তে, চাওরাকপা ৱারীদুদা খঙনবনি। ৱারীদু তাবা য়ানবা মানা মানা থোকপা ঙাঙগদৌরিনি। অদুগী হঞ্জিন হঞ্জিন লীলাদু তান্নরে। পুং ১০.৩০ মুক তারকপদুদা ঐখোয়সি লোইশিল্লে। চাক থোংঙে, চারে, অদুগা অমুক ঐখোয়গী হিপফমদুদা হিপ্পা হিপ্পা, ফম্না ফম্না অমুক লীলাদু ঙাঙনরে। সি হায়রকউ, সুমাইনা তৌরকউ হায়না সজেসন পীনরে। অদুগা লীলাদু নুংদাংদুদা শান্নখি।

লীলাদু য়াম্না নোকপা য়াম্না নুংঙাইবা লীলানি। ধনবিরগা ঐগনা মচিল মনাওমক লৌশিল্লগা নুপী ময়ূমদুদা য়াওং ইনবগী লীলানি। ধনবিরনা কবি চঙবনি, ঐনা মেত্রিক ফেলনি। মাগী মাগী নুপাগী হাক্কন্দা মচিল মনাও অনীদুসু খৎনবদা ময়াম্না পূক্লি হেক পায়খৈ নোকখিবা লীলানি। হোজাইদা শান্নবদবুদি অদু য়ৌনা নুংঙাইত্রসু লীলাদু নুংঙাইনি হায়বগী মমি অমদি তাখি। লীলাদু দাইলোগ ফাদনা অহানবদু পুং ৩গী ময়াদা শান্নরে, য়াম্না শাংই। ভাবোক পূম্নমক মচি লেংদখৈ লীলাদু য়েংনখি। পেন্নখি। কুম অদুমা হোজাইগী নুংঙাইরবা খোঙচৎ অদুগী ৱারী কয়া অদুনা মতম চূপ্পগী ওইনা ঐগী থম্মোয়দা ইশিন্দুনা লৈখি। হৌজিকসু নুমিৎশিং অদু নীংশিংবগী থোঙনাও হাংদোক্লুবদা মীৎমাংদা মরী মরী থোরক্লি।

অদুগা ঐখোয় নোংঙাল্লগা বিনোয়না চিংলগা গুৱাহাটিরোমদা হল্লকখি। গুৱাহাটি মণিপুর বষ্টিগী মী খরগা মান্নরগা নোংমা অমা লাইব্রেরি হোলদা লীলা অমগা শান্নরমখি। অদুগা ঐখোয় বস তোংদুনাইম্ফালদা হল্লকখি। গুৱাহাটিদা শান্নবদুদি মী কা হেন্না তিনখিদে হায়বা ঐ নীংশিংলি। য়াম্না থুনা শিনখিবা অদুনা শোয়দনা ওইগনি। ঐখোয়না অয়ূক্তা থুংলবদুদগী হৌনা প্লে অমত্তং উৎপীরম্মু হায়না হায়রকপদগী প্লান য়াওদনা খুদক্তা শিনখিবদুনা ওইগনি হায়না খল্লি। ●

# পুন্সিগী ঈচেলদা - ১

**- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -**

ঐহাক্কী পুন্সি ঈচেলদা থেংনরকপা অৱা নুংঙাই থৌদোক, ৱারী কনানা তাবীনীংগনি, তাবীনীংলোই খঙদবনা হংজখি ইতোমতা ৱাহংগুম-পাউখুমগুম ঐহাক্কী পুন্সি ৱারীসিবু মখা তানা লীখিসিরা নৎত্রগা ইররোইসিরা হায়না। করিবু কান্নগনি তাবীনীংদবা, পাবীনীংদবা নাকোংশিংদা লীরুদুনা। লাইবক ফবদি লৈরম্মে তাবীনীংবা ঐহাক্কী পুন্সি ঈচেলগী ৱারী মখা তানা। ঐহাক্লা খঞ্জরুবগী ৱাংমদা মতিক ময়াই লৈরবা ইরমদমগী নুংশিরবা ইয়াম্বা অমনা ঐহাকপু য়াম্না পূক্লিং থৌগৎপীদুনা ঐহাক্কী পুন্সি ঈচেলগী ৱারীসি মখা তাথনা ইরকখো য়াম্না ইন্সপাইরিং ওই, সেন্টিমেন্টেলসু ওই অদুগা নোসটালজিকসু ওই হায়না তাকপীরকই। ঐহাক্কী পুন্সি ৱারীনা ইয়াম্বা অসিগী পুন্সিদা থোকখিবা হৌখ্রবা ৱারী কয়াবুসু নীংশিংহল্লি হায়দুনা নুমিদাং ৱাইরমদা ফোন তৌদুনা হায়রকই লোয়ননা ফেসবুক মেসেঞ্জরদসু মেসেজ ওইনা থারকই। মহাক অতৈ কনা নত্তে ময়াম্না হেন্না শক খঙবীরবা, মতিক ময়াই চেল্লবা, তাঙনা থোক্লবা লমদমসিগী চঙ চঙ লাওবা মপারি, থবক্তগী পোত্থারবা আই পি এস ওফিসর ওইদুনা ফর্ষ্ট এম আরদা কম্মান্দিং ওফিসর ওইনা থৌ পুবিরম্বা ইয়াম্বা তামো সরাংথেম মনাওবী/খোইরানথাবনি।



করোমদা চেন্থরুগনি, করম্বা তোর্ব্বান্দা থুংলুগনি নৎত্রগা করম্বা ঈপাক্তা তিনলুগনি হায়বা ঙমদ্রবা ঐহাক্কী পুন্সিগী ঈচেলদা থেংনজরুবা নুংশিরবা ইয়াম্বনি। তম্বা ঙমদবা পুন্সিগী ঈচেলদা মীওই কয়া থেংনৈকো। খরা অমনা ঙাইহাক তাওথমিন্নরম্লগা অমুক উনদনা লোইশিনখি, অদুগা খরা অমনা ৱাখল্লোল মান্নদবগী অদুম তাওথমিন্নে পুন্সিগী ঈচেলদা। অদুগা মীওই খরা অমনা পুন্সি খোঙচৎলোই ওইরিবনি। কনানবু হায়বা ঙমগদৌরিবনো ঐহাক্কী পুন্সিগী খোঙচৎলোই টাইৱান হায়রিবা ঈথৎ অসিদগী ওইগনি হায়বা। অদুবু ঙসিদি তাওথমিন্নরি ঐহাক্কী পুন্সিগী ঈচেলদা টাইৱান হায়রিবা ঈথৎ অসিদা পোকচখিবা মমোমলোই অমা ঐহাক্কী পুন্সিগী ঈচেলদা। অসুম্না থেংনরুবা মীওই কয়া অদুগী মরক্তা তামো মনাওবীসু অমনি। লমদম তাম্না লৈনখ্রবসু তাওথমিন্নরি পুন্সিগী ঈচেলদা ৱাখল, পূক্লিং মান্নরুবনা। থেংনখিবনি ইয়াম্বসে টাইপৈদা লৈবা ঐহাক্কী শঙ্গাইদা কুমজা ২০১৮, জুলাই থাদা টাইৱান্দা অহানবা খোঙদাবীরকপদা। অসুম্না নুমিৎ খরনি ঐহাক্কী শঙ্গাইদা লৈমিন্নদুনা তামো মনাওবীগা ঐহাক্লা শকখঙ মায়খঙনখি লোয়ননা মীকূপ অদুদগী ঙসি ফাওবা চেন্থমিন্নরি পুন্সিগী ঈচেলদা হকচাংনা তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈনখ্রবসু।

অসুম্না শকখঙনখিবা নুমিৎ অদুদগী নুমিৎ খরনি ঐহাক্কী টাইপৈগী শঙ্গাইদা লৈমিন্নবা অদুদা মহাক্কী পুন্সিদা থেংনখিবা থৌদোক ৱাথোক কয়া পাউদম্বীরম্মী মনাও ঐহাক্কী মফমদা। মতৌ অসুম্না ইচিন ইনাও তোয়না পাউ ফাওনদুনা লাক্লি ঙসি ফাওবা। ঐহাক্লা হেক থোরকপা খুদিং ইম্ফাল ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা হেক্তা লাকপী মনাও ঐহাকপু ওকপীবা। মমাঙ চহী ২০২২গী ওগষ্ট থা নুমিৎ ২০নি মুক থোরক্লম্বা অদুদসু ঐহাকপু ওকপা লাকপীখি এয়রপোর্টতা লোয়ননা থিনবীরম্মী ঐহাকপু ইয়াম্বগী য়ূম তান্না। ওকপীবতা নত্তে টাইৱান্দা হল্লকপগী লম্বীদসু অয়াম্বা মতমদা থিনবীরিবনি এয়রপোর্টতা। হন্দকসু থিন্দোকপা লাক্কে হায়বদো তামো লাক্লনু হায়না ঐহাক্লা লাকহনখিদবনি ইয়াম্বগী অচিনবা উদুনা।

ঐহাক্লা ইকায়খুম্নজরবা অমদি নুংশিজবা অসিগুম ইরমদমগী মীওই অয়াম্বনসু তামো মনাওবীবু শোয়দনা ইকায়খুম্নবীরমগনি অমদি নুংশিরমগনি খল্লি, মরু ওইনা তামো মনাওবীনা লৌখিবা অমদি লৌরিবা থৌদাং কয়া অসি উরুরগা, তারুরগা। তামো মনাওবী ঙসি ঙসিসু য়াম্না খিং খিং লাউনা অদুমক চেনলি-চোংলি মতম কুইনদগী শেঙ্গা থুমজানা লাইচুরবা ঐখোয়গী খুন্নাই অসিবু শেমদোক্লবা, নোংম-নোংমগী মাঙশিল্লক্লিবা ঐখোয় ইরমদমগী ঙমখৈবু ঙাকথোক্লবা, কলহৌনবা, লোয়ননা ইরোল ইনাৎ অমদি ঐখোয়গী নীংথিজরবা চৎনবী কয়াবু কলহৌনবা।

নীংশিংলি ঙসিসু তামো মনাওবীনা ঐহাক্কী শঙ্গাইদা নুমিৎ খরা লৈমিন্নবা মতমদুদা নৎত্রগা টাইপৈগী মফম কয়াদা কোয়বা চৎমিন্নবদা পাউদম্বীরম্বা মহাক্কী পুন্সি ঈচেলদা থেংনখিবা ৱারী কয়া। ৱারী কয়া অদুগী মনুংদা পনবীরম্মী ইরমদমদা থোকখিবা জুন ১৮ অপরাইজিংগী ৱাথোক, ঙমখৈ কনবগী মতাং, গ্রেটর নাগালেন্দ শেম্বগী ৱাথোক, বর্ম্মানা ঐখোয়গী ঙমখৈ খোপচিল্লকপগী ৱাফম, ইনাৎ, ইরোল কনবগী ৱাফমশিং অমদি অতৈ কয়ানি। ৱারী কয়া অদুগী মনুংদা ঐহাক্কী থম্মোয়দা তুচুংখিবা অমদি তামো মনাওবীনা লৌখিবা থৌদাং অদুগী থৌদোক অদুদি কুমজা ২০০১দা থোকখিবা জুন ১৮ অপরাইজিং অদুনি।

নীংশিংলি ঙসিসু জুন ১৮ অপরাইজিংগী মতাংদা তামোনা মনাও ঐঙোন্দা মরীক চুম্না পাউদম্বীরম্বদো। থৌনা ফরবা ইরৈচা ১৮ লৈখিদবা থৌদোক অদুগী মতাংদা তামো মনাওবীনা য়াম্না নুংঙাইতনা অমদি শীংননা পাউদম্বীরম্মী। থৌদোক অদুদা মণিপুর লৈঙাক্কী অমদি লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা অচৌ অচৌবা পুলিস ওফিসরশিং অদুগী মায়োক্তা লেপখিবগী মতাংদসু মরীক চুম্না মনাও ঐহাক্কী ইফমদা থম্বীরম্মী। করিগুম্বা তামো মনাওবীনা লৈঙাক্লা অমদি মহাক্কী মথক থোংবা ওফিসরশিংনা পীরকপা য়াথংনি হায়দুনা অচুম অরান অমদি ঐখোয়গী ইনাৎকী চৎনবীবু তুংওইনদুনা, খন্থরুদনা নুমিৎতুদা ৱাকৎ খোঙচৎ চৎখিবা মীয়ামদুদা নোংমৈ কাপ্লম্বা থোক্লবদি মীওই লিশীং লিশীংদা শিরমগনি হায়না তাকপীরম্মী।

তামোনা য়াম্না নুংঙাইতনা ৱারী মখা তাবীরকখি। নোংমৈ মতোলদা লৈখিদ্রবা থৱায় য়াওদ্রবা ইরৈচা ১৮ অদুগী অশিবা হকচাংশিং অদু ফাওবা ইকায়খুম্নবীবা করিমত্তা য়াওদনা ময়াম খঙহন্দবীদা চরু-ৱাইরুনা কুপশিন্দুনা মৈ থাদোকখ্রো হায়না য়াথং পীরকপদা তামো মনাওবীনা থৌনা ফনা মদুগী মায়োক্তা লেপ্তুনা মদু ঐখোয়গী ইনাৎতা চৎনদে হায়দুনা মখোয়গী মায়োক্তা লেপখিবনি। মখোয়গী মায়োক্তা লেপ্লুবগী মহাকপু থবক্তগী ফম লৌথোক্কনি, লোয়ননা পাকিষ্টানগা থংনবা ঙমখৈদা পোষ্টিং থাগনি হায়বনচিংবা ৱাফম কয়া থোরকখি। অদুবু তামো মনাওবীনা কোর্টতা য়াম্না ৱাকৎতুনা মখোয়গী মায়োক্তা থৌনা ফনা থেংনদুনা মায় পাক্তুনা মহাক্কী থবক মখা তানা তৌথখি। অদুবু থৌদোক্তুদা চেন্নখিবা ওফিসর কয়াদি অতোপ্পা মফমশিংদা লোই থাখি হায়না তামোনা পাউদম্বীরম্মী মনাও ঐহাক্কী মফমদা। ৱারীশিং অদু তারুবদা তামো মনাওবীবু তশেংনা থাগৎচখি ঐহাক্কী থম্মোয়দা, মরু ওইনা মহাক্কী থৌনা অমদি মীনুংশি অদু তারুবদা। ৱারী য়াম্না লৈখ্রে তামো মনাওবীনা পাউদম্বীরম্বা মনাও ঐহাক্কী ইফমদা। নোংমা মতাং চাবদা অমুক মখা তাজরক্কে।

অদুবু ঐহাক্কী থম্মোয়দা য়াম্না নুংঙাইজদ্রিবা অমদি পেঞ্জদ্রিবদি অসিগুম্বা মতিক ময়াই লৈরবা মরমদমবু অমদি মরৈচাশিংবু তশেং তশেংনা নুংশিজদুনা মশাগী থবক ফাওবা তৎপা য়ারিবা মওংদা লৈঙাক্কী অমদি মথক থোংবা ওফিসর কয়াগী মায়োক্তা নখোয়না তৌরিবদু চুমদে হায়দুনা মখোয়গী য়াথং ইনবগী মহুত্তা অচুম্বা তৌগনি হায়দুনা লৈঙাক্কী অমদি পুলিস ওফিসরশিংগী মায়োক্তা লেপ্তুনা ইরৈচা লিশীং লিশীংগী থৱায় কনবীখিবা থৌনা ফবা মপারি অমবু শৌগৎপীদবা অসিনি। তামো মনাওবীগুম্বা মীওই অমনা ইরমদমগীদমক খঞ্জদুনা ইরমদমগী থৌগল তৌজগে হায়না পোলিটিক্সকী লম্দা খোঙ থাংজিনবদা ভোট থাদবীরিবা ইরৈচাশিংনা ঙাইহাক ঙাইহাক্কী কান্নবা য়েংদুনা ইয়াম্বা অসিগী মতিক ময়াইবু শেল খরগীদমক মীখলদা মায়থীবা নংহল্লি। অদুগা নাকল অমরোমদনা পাল্লি পাল্লিবা লৈঙাক্লসু তামো মনাওবীনা দেল্লীদা চৎতুনা ঐখোয়গী ফংফম থোকপা হক (রাইটস) কয়া ফংনবা লাউরুগে হায়না হোৎনবসু লৈঙাক্লা টিকেট পীবিদে এম পি লেপ্পগী তামোনা শেল য়াম্না পীবা ঙমলোই খনবগী মাল্লি। লাইবক থীবনি।

করিগুম্বা তামো মনাওবীসে টাইৱানগী সিটিজন অমা ওইরম্লবদি অহানবা মীখলদা মায় অদুম পাক্তুনা কেবিনেট মিনিষ্টর অমা শোয়দনা ওইরম্লনি টাইৱানগী শেঙ্গা থুমজা তৌদনা চুম্না পাঙথোকপা মীখলশিং অসি য়েংলুরগদি। অসিগুম্বা নীংথিজবা, অচুম্বা মীখল অসি লৈতবদগীনি মরমদমগী থৌগল তৌজগে, থৌগল্লোল ফংজগে হায়না চোংথোরকপদা ইরমদমগী ভোটরশিংনা শেল খরদা মীহৌরুবনা তামো মনাওবীগুম্বা অফবা, চঙ চঙ লাওবা মপারি মমোমলোই কয়া মীখলদা মায় পাকহন্দবনা ঐখোয়গী খুন্নাইনা অসুম খোঙজেল য়াঙনা মাঙদা চঙশিনবা ঙমদনা লৈরি। লোইশিল্লকপদা, তামো মনাওবীগুম্বা মীওই অমনা ঐহাক্কী পুন্সি ঈচেলগী ৱারী মখা তাথনা লীরকখো হায়বীবা অসি ঐহাক্কী ওইনদি পূক্লিং য়াম্না থৌগৎপী, ইনীংবা পোকহল্লি। তম্বা ঙমদবা ঐহাক্কী পুন্সি ঈচেলগী ৱারী মখা তাজরকখিগে ময়াম। য়াইফমিন্নরসে। ●